*নুপাগী কে জি ৯৪গী রেটেলিফটিংদা কুমজা ১৯৯৯দা থম্লম্বা ৱার্ল্ড রেকোর্ড থুগাইদুনা গোল্ড মেদল লৌখ্রবা ইরানগী লিফটর সোহরাব মোরাদি*

*এসিয়ান গেমস অসিগী টেনিস মশান্নগী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রবা উজবেককিস্টানগী শান্নারোই দেনিস ইস্টোমিন*

# ইন্দিয়াগী নুপা সোটপুট্টর তাজিন্দরপালনা গেমসকি অনৌবা রেকোর্দ থমদুনা গোল্ড লৌখ্রে, স্কৱাসতা ব্রোঞ্জ অহুম ফংখ্রে, হোক্কিদা মমাংগী চেম্পিয়ন সাউথ কোরিয়াবু ইন্দিয়ানা ৪–১দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল চংখ্রে

*পালেমবাং। জাকর্টা, ওগষ্ট ২৫ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপা সোটপুট্টর তাজিন্দরপাল সিংহনা গেমসকি অনৌবা রেকোর্দ থমদুনা গোল মেদল লৌখ্রে, স্কৱাসতা ব্রোঞ্জ অহুম ফংখ্রে, নুপীগী হোক্কিদা ইন্দিয়ানা গেমস অসিগী মমাংগী চেম্পিয়ন সাউথ কোরিয়াবু ৪–১দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল চংখ্রে।



*গেমসকী রেকোর্দ থুগাইদুনা নুপাগী সোটপুট ইভেন্টকী গোল্ড মেডল লৌখ্রবা ইন্দিয়াগী টাজিন্দরপাল সিংহ*

ইন্দোনিসিয়ানা যুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা ১৮শুবা এসিয়ান গেমস অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী সোট পুট ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী তাজিন্দরপাল সিংহনা মিটর ২০.৭৫ শান্না লংদুনা গেমস অসিগী অনৌবা রেকোর্দ থম্বা ঙম্বগা লোইননা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

ইভেন্ট অসিগী সিলভর মেদল অদু চাইনাগী এথলেট য়াং লিয়ুনা মিটর ১৯.৫২ লংলগা লৌখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেদল অদুনা কাজাখষ্টানগী সোটপুট্টর ইভান ইভানোভনা মিটর ১৯.৪০দা লৌখি।

এসিয়ান গেমস অসিগী স্কৱাস দিসিপ্লিনদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা সিঙ্গলস কাংলুপতা ব্রোঞ্জ মেদল অহুম ফংবা ঙমখি। স্কৱাস মশান্না অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকি সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী দিপিকা পালিকল কার্থিক ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন মালেসিয়াগী নিকোল দেবিদকি মখুৎতা ৭–১১, ৯–১১, ৬–১১দা মায়থিহৌদুনা ব্রোঞ্জ ফংহৌখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকি ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী জোসনা চিনাপাসু মালেসিয়াগী শান্নরোই সিবশঙ্গারি সুব্রমনিয়ামগী মখুৎতা য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নরবা মতুং ১০–১২, ১১–৬, ৯–১১, ৭–১১ মায়থিহৌবদগী ব্রোঞ্জ মেদল ফংলগা লোইশিনখি।

মমাংগী এসিয়ান গেমসতা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী সৌরভ ঘোসাল ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকি সেমি ফাইনেল মেটচতা অকনবা লম্বা মায়োক্নরবা মতুং ১২–১০, ১৩–১১, ৬–১১, ৫–১১, ৬–১১দা হোংকোংগী শান্নরোই ও চুন–মিংগী মখুৎতা মায়থিহৌদুনা মহাকসু ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

ইন্দোনেসিয়ানা যুম্বু ওইরগা পাঙথোক্লিবা ১৮শুবা এসিয়ান গেমস অসিগী হোক্কি দিসিপ্লিনগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী অহুমশুবা রাউন্দগী পুল 'বি'গী মেটচতা ইন্দিয়ানা মমাংগী চেম্পিয়ন কোরিয়াবু ৪–১দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়া অমসুং কোরিয়ানা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ১৬শুবা মিনিটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই ভন্দনা কাটারিয়ানা য়ৈরকপা রিভরস সোট অমা টিমমেট নভনিট কোরনা নিংথিনা ফারগা গোল তম্না য়ৈশিনখিবদা পাঞ্জল ওইদুনা মাঙজিল থাবা হৌখি। কোরিয়াগী মায়কৈদগী শান্নবগী ২১শুবা মিনিটতা ফংখিবা পেনালটি কোর্নর অমদা লি য়ু রিমনা পাঞ্জল ওন্থোক্নুনা পাঞ্জল মান্নহল্লবা মতুং অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনিশুবা হাফ হৌরকপদা টিম অনিমক পাঙ্গল মান্ননা শান্নরকখি। শান্নবগী ৫৪ অমসুং ৫৫শুবা মিনিটতা ইন্দিয়ানা ফংখিবা পেনালটি কোর্নর অনিদা গুরজিট কোরনা পাঞ্জল ওন্থোক্নুনা কোরিয়াবু ৩–১ দা মাঙজিল থাথি।

মিনট অমা লৈরগা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা ভন্দনা কাটারিয়ানা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ইন্দিয়ানা কোরিয়াবু ৪–০দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

সেপাক তাক্রো ঃ–

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সেপাক তাক্রোগী গ্রুপকি প্রিলিমিনরি রাউন্দগী মেটচ অমদা সাউথ কোরিয়ানা ইন্দিয়াবু গেম ২–০ (২১–৬, ২১–৭)দা থোইরমখি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী টিম অসিনা হয়েং মালেসিয়াগা শান্নগনি। পনবা য়াই, ইন্দিয়ানা চয়োল অসিদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান গেমস অসিগী ইভেন্ট অমা ওইরিবা মেনস রেগু টিম কম্পিটিসনদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখিবনি।



*কোরিয়াবু থোইরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কি শান্নরোইশিং পাঞ্জল চল্লুরবা মতুং হরাওবা*

বেদমিন্টন ঃ–

ইন্দিয়াগী নুপীগী সিঙ্গলস বেদমিন্টন শান্নরোই পি ভি সিন্ধু অমসুং সাইনা নেহৱাল ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে। নুপীগী সিঙ্গলস কাংলুপতা ৱার্ল্ড নম্বর ৩ ওইরিবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা ঙসি শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ইন্দোনেসিয়াগী গ্রেগোরিয়া মারসিকাবু ২১–১২, ২১–১৫দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চংখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকি ঙসি শান্নখিবা প্রিক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱানা গেমস অসিগী যুম্বু লৈবাক ইন্দোনিসিয়াগী ফিত্রিয়ানি ফিত্রিয়ানিবু ২১–১৬, ২১–১৪দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

বোক্সিং ঃ–

মণিপুরগী বোক্সর লাইশ্রম সরিতা দেবীগী মহুৎ শিল্লকখিবী কে জি ৬০গী কেটেগোরিদা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী পবিত্রনা ঙসি পাঙথোকখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল বাউথ অমদা পাকিস্টানগী বোক্সর রুকসানা পরভিনবু য়াম্না হেনবা মওংদা অনিরক তুহন্দুনা পোইন্ট ১০–৮দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

এথলেটিক্স ঃ–

নুপাগী হায় জম্প ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী চেটন বালাসুব্রামানিয়ানা মিটর ২.১৫ লাম্থোক্নুনা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নুপাগী মিটর ৪০০গী লমজেলদা ইন্দিয়াগী মুহমেদ অনাস অমসুং অরোকিয়া রাজিব সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

লমজেল অদুদা অনাসনা ৪৫.২৪দা পম্পুংফম য়ৌদুনা সেমি ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাইদ ওইবা ঙমখি। অদুগা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা এঠলেট অরোকিয়া রাজিবনা ৪৬.৮২দা চেন্দুনা মহাকসু ইভেন্ট অসিদা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

হেন্দবোলঃ–

হেন্দবোলগী ঙসি শান্নখিবা ইন্দিয়াগী নুপী টিমনা মালেসিয়াবু ৫৪–১৯দা থোইখ্রবসু ইভেন্ট অসিদা ৯শুবা পোজিসন তাহৌখি।

| Asian Games 2018: Medals Tally | | | | |
|---|---|---|---|---|
| **Rank** | **Nation** | **G** | **S** | **B** | **T** |

| Rank | Nation | G | S | B | T |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | China | 72 | 51 | 30 | 153 |
| 2 | Japan | 34 | 31 | 44 | 109 |
| 3 | South Korea | 25 | 26 | 33 | 84 |
| 4 | Iran | 14 | 11 | 9 | 34 |
| 5 | Indonesia* | 10 | 12 | 16 | 38 |
| 6 | North Korea | 10 | 5 | 6 | 21 |
| 7 | Thailand | 8 | 8 | 24 | 40 |
| 8 | India | 7 | 5 | 17 | 29 |
| 9 | Chinese Taipei | 6 | 11 | 13 | 30 |
| 10 | Uzbekistan | 5 | 10 | 7 | 22 |
| 11 | Kazakhstan | 4 | 7 | 27 | 38 |
| 12 | UAE | 3 | 4 | 1 | 8 |
| 13 | Mongolia | 3 | 2 | 5 | 10 |
| 14 | Hong Kong | 2 | 6 | 13 | 21 |
| 15 | Kyrgyzstan | 2 | 4 | 5 | 11 |
| 16 | Singapore | 2 | 2 | 6 | 10 |
| 17 | Cambodia | 2 | 0 | 1 | 3 |
| 18 | Vietnam | 1 | 7 | 9 | 17 |
| 19 | Malaysia | 1 | 4 | 2 | 7 |
| 20 | Macau | 1 | 2 | 0 | 3 |
| 21 | Jordan | 1 | 1 | 5 | 7 |
| 22 | Lebanon | 1 | 1 | 2 | 4 |
| 23 | Philippines | 1 | 0 | 7 | 8 |
| 24 | Iraq (IRQ) | 1 | 0 | 0 | 1 |



*নুপীগী সিঙ্গলস স্কৱাসতা ব্রোঞ্জ ফংখ্রবী দিপিকা পালিকল কার্থিক*

# ইন্দিয়াগী পেস অমসুং য়ু এস কি সেরেতানি দবলসতা রন্নর্স–অপ তাহৌরে

*ৱিন্সটন, ওগষ্ট ২৫ঃ*

ইন্দিয়াগী লিয়েন্দর পেস অমসুং য়ু এস কি সেরেতানি ৱিন্সটন সালেম ওপন টেন্নিস টুর্নমেন্টকি নুপাগী দবলসকি রন্নর্স অপ তাহৌরে।

টুরনামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকি ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী লিয়েন্দর পেস অমসুং য়ু এস কি সেরেটানিবু নম্বর ২শুবা সিদেদ পেয়র নেদরলেন্দসকি জেজে রোজর অমসুং রোমানিয়াগী ঐচ টেকাওনা ৬–৪, ৬–২দা থোইরম্লগা টাইটল লৌখি।

ৱিন্সটন সালেম ওপন টেন্নিস টুর্নমেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ৮শুবা সিদেদ শান্নরোই য়ু এস কি ষ্টিভ জেনসন অমসুং রুসিয়াগী দানিল মেটভেদেভনা লম্বা তৌনরগনি।

য়ু এস কি ষ্টিভ জোনসননা মহাক্কি সেমি ফাইনেলদা অনিশুবা সিদেদ শান্নরোই স্পেনগী পাব্লো কারেনো বুসতাবু ৬–৩, ৬–৪দা থোইরমখি। অদুগা রুসিয়াগী দানিল মেদভেদেভনা সেমি ফাইনেলদা জাপানগী তারো দানিয়েলবু ৬–১, ৬–১দা মায়থিবা পীরম্বনি।



*ৱিন্সটন সালেম ওপনগী নুপাগী দবলসকী চেম্পিয়ন*

য়ু এস এ গী অতোপ্পা সিটি নিউ হেভনদা চথরিবা কন্নেকটিকট ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকি নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা বেলারসকি আরিনা সাভালেনকা অমসুং স্পেনগী কারলা স্বারেজ নাভারোগা শান্নরগনি।

বেলারসকি অরিনা সাভালেনকানা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী মঙাশুবা সিদেদ শান্নরোই জরমনিগী জুলিয়া জোরজেসপু ৬–৪, ৭–৬ (৭–৩)দা মায়থিবা পীরম্বনি।

অমরোমদা আরিনা সাভালিনকাগা ফাইনেল দা লম্বা থেংনগদৌরিবী স্পেনগী কারলা স্বারেস নাভারোনা ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা প্যাটো রিকোগী মোনিকা পুইগকা অহানবা সেট ৪–৪দা মান্নরবা মতুং মোনিকা পুইগ মশা শোকপনা মরম ওইরগা মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী স্পেনগী নাভারো ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

কনেকটিকট ওপন টেনিস টুর্নমেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকি ফাইনেলদা জেক রিপব্লিককি লাভাকোভা অমসুং বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভানা চাইনিজ টাইপৈগী সৈ অমসুং জরমনিগী এল সৈগেমুন্দগা শান্নরগনি।

জেক রিপব্লিককি লাভাকোভা অমসুং ষ্ট্রাইকোভানা পোলেন্দগী রোসোল্কা অমসুং য়ু এসকি এ স্পিয়রসবু ৩–৬, ৬–৩, ১২–১০দা থোইরম্লগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

অমরোমদা চাইনিজ টাইপৈগী সৈ অমসুং জরমনিগী সৈগেমুন্দনা সেমি ফাইনেল ওইগদৌরিবা জেক রিপব্লিককি পেয়র কেরোলিনা প্লিজকোভা অমসুং কৃষ্টিনা প্লিজকোভা লাক্তবদগী ৱাল্ক ওভর ফংদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি।


**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Sagolmang, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 533/SDC/SLG/IE of 2018
Dated 25/08/2018

1. Asem Thoibi Devi W/o Yumnam Lukhoi Singh of Yumnam Leikai Lairembi Maning Leikai
2. Asem Sunitibala Devi W/o Rk. Manisana Singh of Brahmapur Nahabam
3. Asem Indubala Devi D/o Late A. Mani Singh of Keishamthong Hodam Leirak

Petitioners

-Vs-

Late Asem Mani Singh S/o Late A. Thambaljao Singh of Khundrakpam --------Co-Pattadar No. 1

Opposite Party.

**NOTICE**

Sagolmang, the 6th January 2018

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না ইঃ ইঃ তহশিল খুল নং 9-Sarouthel পাট্টা নং 87 (অরিবা) 3 (অনৌবা) দাগ নং 93 মোট এরিয়া 1.20 acres চাওবা Anganphou লৌফমগী Co-Pattadar No. 1 মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেটিস্নর অসিনা মৃত্তু পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা মখোয়গী মমিংদা পানবিরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃত্তু পাট্টাদারগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা অপতি objection তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা লাক্নুনা অইবা চেনা অপতি /objection তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা অপতি চেলৌজরোই, কোর্টগী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Sagolmang, Imphal East

SL/3938/26


# কুমজা ২০১৮–১৯ আই এস এলগী অহানবা মেটচতা এটিকে অমসুং কেরলা ব্লাষ্টর্র শান্নরগনি

*কোলকটা, ওগষ্ট ২৫ঃ*

কুমজা ২০১৮–১৯ আই এস এলগী অহানবা মেটচতা এটলেটিকো দি কোলকটা অমসুং কেরলা ব্লাষ্টর্স লম্বা তৌনরগনি।

এটলেটিকো দি কোলকটা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ান সুপর লিগ (আই এস এল)গী অনিরক চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা টিমনি। এটলেটিকো দি কোলকটানা মখোয়গী অহানবা মেটচ কোলকাটাদা লৈবা সোল্ট লেক ষ্টেদিয়মদা সেপ্তেম্বর ২৯দা শান্নরবা মতুং অনিশুবা মেটচ অদুনা কেরলা ব্লাষ্টরসনা যুম্বু ওইরগা কোচিদা শান্নরগনি।

ইন্দিয়ান সুপর লিগ অসিগী মমাংগী চেম্পিয়ন চেনাইয়ন এফ সিনা সিজন অদুদা রন্নর্স অপ তাহৌরবা বেঙ্গালুরু এফ সিগা সেপ্তেম্বর ৩০দা শ্রী কান্টিরাভা ষ্টেদিয়মদা শান্নরগনি।

কুমজা ২০১৮–১৯ ইন্দিয়ান সুপর লিগ সিজন অসিদা ব্রেক অহুম থোক্লা শান্নগনি। ২০১৮তা ব্রেক অনি শান্নগনি।

য়ু এ ই না যুম্বু ওইরগা মথং চহিদা পাঙথোক্কদৌরিবা এ এফ সি এসিয়ান কপকি মাংওইননা ইন্দিয়ান নেস্নেল টিমগী প্রিপেরেটোরি কেম্পনা মরম ওইরগা কুমজা ২০১৯গী ফিকচরগী ওইনদি তুংদা ফোঙদোরক্কনি। আই এস এলগী মেটচ খুদিংমক নুমিদাং পুং ৭.৩০দগী শান্নবা হৌগনি।

# সুমিট পাসিগী পাঞ্জল অনিগী মতেংনা ইন্দিয়াগী য়ু–২৩ নুপা ফুটবোল টিম্না ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্লব লৈকার্দ তাইগর্স এফ সিবু ৩–১ দা থোইখ্রে

*সিদনি, ওগষ্ট ২৫ঃ*

ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিমনা ওষ্ট্রেলিয়াগী লৈকার্দ তাইগর্স এফ সিগা শান্নখিবা ফ্রেন্দলি মেটচ অমদা সুমিট পাসিগী পাঞ্জল অনিগী মতেংনা ইন্দিয়ানা ৩–১দা থোইখ্রে।

ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্লব অদুনা লৈকার্দ তাইগর্স এফ সিগা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদু হৌরকপদা লম্বা মান্নখিবদগী অহানবা হাল্ফকী মিনিট ২৫ চংশিল্লবা ফাওবদা মায়কৈ অনিদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নখিদে।

শান্নবগী ২৭শুবা মিনিটতা ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্লব লৈকার্দ তাইগর্স এফ সিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা পাঞ্জল ওইদুনা ইন্দিয়াদগী ১–০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

শান্নবগী ৩৫শুবা মিনিটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই জোলানা পীরকপা ক্রোস অমদা টিমমেট সাজিদ ধোটনা হেদ্দিং তৌশিন্দুনা পাঞ্জল ওইদুনা ১–১দা মান্নদুনা লৈখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মিনিট খরা অদুদা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনখ্রবসু মায় পাকপা ঙম্নদনা লাকখি।



*ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্লব লৈকার্দ টাইগর্সপু মায়থিবা পীরম্বা ইন্দিয়াগী চহী ২৩ মখাগী ফুটবোল টিম*

অনিশুবা হাল্ফ হৌরকপদা ইন্দিয়াগী শান্নারোইশিংনা খুদুম চনদুনা শান্নবা ঙমখি। শান্নবগী ৪৭শুবা মিনিটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা আসিক কুরুনিয়াননা পীরকপা অশানবা পাস অমদা সুমিট পাসিনা বোল অদু নিংথিনা কলেক্ট তৌরগা লৈকার্দ তাইগর্স এফ সিগী গোল কিপ্পর মায়থিবা পীদুনা পাঞ্জল ওইদুনা ২–১দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্লব লৈকার্দ তাইগর্স এফ সিনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৫৭ শুবা মিনিটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা নিখিল পুজারিনা পীরকপা ক্রোস অমদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অনিশুবা পাঞ্জল চনখিবা সুমিট পাসিনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ইন্দিয়ানা ওষ্টেয়েলিয়াগী ক্লব লৈকার্দ তাইগর্স এফ সিবু ৩–১দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকি লেমহৌবা মিনিট ২৩ রোমগী মতম অদুদা টিম অনিগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙম্নখিদবদগী ঙসি শান্নখিবা ফেন্দলি মেটচ অদু ইন্দিয়ানা লৈকার্দ তাইগর্স এফ সিবু ৩–১ থোইখি।

ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম অসিনা ওষ্ট্রেলিয়া টুর অসিগী মনুং চন্না মফম অদুগী ক্লব সিদনি এফ সিগা থা অসিগী ২৮দা অনিশুবা মেটচ ওইনা শান্নরগনি।